# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ২








**রন্দোল্ফ মোইরাংথেম**

**মমাঙঙৈগী** মতম হায়বদি লোর্দ জিষু খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ মমাঙ চাউরাক্ল া চহী লিশীং অনী অহুমগী অদুৱাইদা ইন্দিয়াদা মখল মখলগী নোলেজশিং য়াওরবা বেদ মরি হায়বদি (ক) রিগবেদ (খ) সামাবেদ (গ) য়াজুরবেদ অমসুং এথরবাবেদশিং অসি ঋষিশিংনা ইদুনা থম্বীরম্মী। বেদ মরি অসিগী মনুংদা ম্যুজিক্কা মরী লৈনবা মচাকশিং সামাবেদদা ইবিরম্মী। বেদগী মতম অসিদা শকপা ঈশৈশিংবু সামাগানা নৎত্রগা সামান হায়না কৌরম্মী। সামান হায়রিবা ঈশৈশিং অসিদা মতম অদুগী percussion music instrument Mritanga (মোর্দন্দনা ত্রিদানগা), ষ্ট্রিং ইন্সত্রুমেন্ট (i) বিনা, (ii) বেনু নৎত্রগা ভমসা হায়নসু খঙনবশিং অসিনা একোম্পেনি তৌরম্মী। ভুমি দুনদুভি কৌবা য়াম্না চাউবা পুং অমসু শা-লানগী মতম হায়বদি য়েক্লবশিং লাকএ খঙনবা য়ৈনপুং ওইনা শীজিন্নবগী চৎনবী লৈরম্মী। ভুমি দুনদুভি হায়রিবা ৱাহৈ অনী অসিগী ৱাহন্থোক্তি ভুমি হায়বনা লৈবাক হায়বনি অদুগা দুনদুভি হায়বনা পুং হায়বনি। মসিগী পুং অসি শাবগী মওং অসি লৈতেম মান্নবা লৈমায়দা কোয়না মপান অমসুং মনুংগী শরুকশিং তৌখায়রগা পুং তিংবা য়ানবা সিলিন্দ্রিকেল মওংদা থল্লবা মতুংদা শাগী মউন্না মথক্তা কুপ্লগা শউনগী মরীশিংনা পুংমায়দগী তিংলক্লগা লৈবাক্তা উচুক য়ৈরগা মখোল থোকত্রিফাওবা মরীশিং অদু চিংগনি অদুগা য়ৈবনা মখোল হৌনবা উগুস্নবা য়ৈগনি।

মসিগীসু মথক্তা মখল মখলগী য়ৈনপুংশিং হায়বদি পনব, পুসকর, ভন্দানচিংবশিংসু মতম অদুদা য়ৈনরম্মী। বেদশিং অমসুং ব্রাহ্মানা লিটরেচরশিং নৈনরুবদা খ্বাইদগী লীরবা পুংশিং হায়বদি দুনদুভি অমসুং ভুমিদুনদুভিশিং অসিনা সামান হায়বদি সামা বেদগী ঈশৈশিংদা একোম্পেনি তৌরম্মী। মী মাঙখিবা থিবদসু দুনদুভি য়ৈরগা থিরম্মী। হায়বদি মী অদুনা লম্মাংনবদা দুনদুভিগী মখোল তারবদি মায়কৈ অদোমদা হল্লক্লগা ময়াম অমুক পূনমিন্নদুনা লমাংনবদগী কল্লি।

মতম অদুদা লান্দা মায় পাকপগী অখন্নবা পুংলোনসু শেল্লম্মী। হায়রিবা পুংলোন অসি লান্দা মায় পাল্লবা মতমদা দুনদুভি অমসুং ভুমিদুনদুভি হায়রিবা পুংশিং অসিদা য়ৈরম্মী। মতমগী য়াওল মতুং ইন্না উ অহোবদা শউন্না তিংবা  ভনাসপতি মিংথোনবা পুং অমসু পুথোক্লমম্মী।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা মতম অদুগী মীশিং অদুনা করম্বা খূৎলায়নাউবু পুং তিংবা য়ানবা হুৎকদৌরিবনো হায়বসিনি। কথকা সামহিতাদা অসুম্না ইরম্মী মদুদি ভানাসপতি হায়রিবা পুং অসি য়ৈবদা লাই ফত্তবশিং হায়বদি দিমোন্স অমদি ইভিল স্পিরিটশিং চেনখিরম্মী। গারগারা হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসি লানগী মতমদা শীজিন্নরম্মী। লোয়না লোয়ননা করিগুম্বা মতমদসু রানা-ভেরি হায়বদি লান্দা খোঙনবা ত্রম্পেট হায়নসু খঙনরম্মী। সামহিতাশিংদা বেদিক মতমগী অতোপ্পা নাদি অমসুং পিঙা কৌবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিংসু থিজিল্লুবদা থেংনৈ।

কারকারি কৌবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অমসু রিগবেদগী (২.৪৩.৩) দা ইরম্বা থেংনৈ। য়াজুরবেদগী (৪.৩৫.৫) গী মতুং ইন্না কারকারি হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসি খুবাক অনী খুরগা থোরকপা রিদম অমসুং টেম্পো (তাল অমসুং লয়) চান্নরবা ঈশৈ অমসুং জগোয়দা একোম্পেনি তৌবা য়ারবা হকচাংগী কয়াৎশিংনা পুথোকপা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টনি হায়না থম্বীরি। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট হায়রগা অতোপ্পা পোৎশকশিং হায়বদি উ, ৱা, কোরি, পিথ্রাই, য়োৎ, প্লাষ্টিকনচিংবশিংনা শারগা ম্যুজিক্কী খোঞ্জেল থোকলকপবু খঙনৈ।

রিগবেদদসু কারকারি হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসিগী মরমদা অসুম্না ইবিরম্মী মদুদি য়াম্না মরুওইবা সেক্রিফিসিএল অমদি য়াম্না এসপিসিএল ওইরিবা সিমান্তোনায়ানা হায়রিবা সেলেমোনি অসিদা লাইয়ামশিংবু পেন্নবা লুহোংদ্রিবী লৈশাশিংনা সেক্রিফিসিএল ফায়র (ঈশ্বরগী মফমদা কৎচরিবা অশেংবা মৈ) বু কোয়রো কোয়শিন দুনা খূৎশা অনীনা খুবাক খুরগা লৈ অমদি তাল চানা জগোয় শারম্মী অমসুং ঈশৈ শক্লম্মী। রিগবেদগী ১০.১৩৫.৭ মন্ত্রগী মতুং ইন্না বেদিক মতমদা শীজিন্নরম্বা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিং মমিং ওইনা হায়রবদা অঘাটা, ঘাটালিকা অমসুং কারদা ভীনা হায়রিবশিং অসিসু শীজিন্নরম্মী। নাদি হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসিসু রিগবেদগী ১০.১৩৫.৭ দা ইরম্বা থেংনৈ।

নাদি হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসি তৌদ্রিগী মখল অমনি নৎত্রগনা হার্প মানবা বীনাগী মখল অমনি। মসিগীসু মথক্তা রিগবেদগী ১.৮৫.১০ দা তরা চাম্মা তিংবা ষ্ট্রিং ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট বীনা, বানা হায়বসিসু ইরম্বা থেংনৈ। হায়রিবা ষ্ট্রিং চাম্মা অসি নাপী (মুঞ্জা) না ওইরম্মী। ব্রাহ্মানাগী মতমদা কাটয়ানা-বীনা হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসি বেদিক মতমগী বানা হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসিগী মওং মতৌ লৌদুনা শারম্মী। মতম অদুগী বীনা, বানা অমসুং কাত্যানি হায়রিবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিং অসিদা স্বর তরেৎ হায়বদি সা, রে, গা, মা, পা, ধা, নিশিং অসি খোঙবা য়ারম্মী। মীওই খরগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্না ধাতু হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা শ্বর তরেৎ অসিবু খঙনরম্মী।

আইটারেয়া - সামহিতা (৫.১.৫) দা ইরম্বগী মতুং ইনা সেক্রিফাইসশিংদা শরুক য়ারিবা পার্ফোমরশিংগী লোইনবীশিংনা কান দা-বীনা খোঙলম্মী অদুগা নিংথৌ মচানুপীশিংগী মরক্তগী অমনা ভুমি দুনদুভি হায়রিবা পর্ক্যুজন ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট অসি য়ৈরম্মী । মসিগা লোয়না লোয়ননা শৈশকপা শৈশকপীশিং পুল্লপ্না সামগান (সমান) শক্লম্মী। মসিগীসু মথক্তা বেদিক মতমগী লিটরেচর ময়াম অমা লৈনবদা মখল কয়াগী ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিং থিল্লম্বা, খিংলম্বা অমদি খোংলম্বা থেংনৈ।

ফুরুপ অমগী পুং ঈশৈ অমসুং জগোয়গী মৈহৌরোল নৈনবদা মিথোলোজিকেল ষ্টদি হায়বসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক অমনি। ইন্দিয়ন ম্যুজিক অমসুং জগোয়গী লমদসু মহাভারত্তা অর্জুননা ইন্দ্র (শোরারেন) গী লৈবাক্তা চৎতুনা জগোয় তম্বগী ৱারী, মী তঙ্খায় লাই তঙ্খায় ওইবা গান্ধারভাশিংগী ম্যুজিক, শিবজিগী টানদাভা জগোয় অসিনচিংবশিং অসিনা ৱাখলদা চুশিন্নখিদুনা চিন্থাং য়ৈনা শমথরক্লিবা ফুরুপ অদুগী ক্রিএটিভ চেম্বরনা নোংমদি ম্যুজিক নৎত্রগা দান্সকী কম্পোজিসন অমা ওইনা পুথোরকই। ফুরুপ অমগী মিথোলোজিকেল ম্যুজিক এন্দ দান্স হায়বসিগা প্রিমেটিভ, প্রীহিষ্টোরিক, এন্সেন টনচিংবশিংগী ম্যুজিক অমসুং দান্স ফোর্মশিংগা লৈনবা মরীশিং নৈনবা হায়বসি য়াম্না লুবা থবক অমনি।

ইন্দিয়ন ম্যুজিক অমসুং দান্সকী ওইনদি বেদশিং, উপন্যাসশিং, পুরান্নচিংবশিংনা মওং অমা তানা ইবিরল্লবা ওইবনা নৈনবদা য়াম্না অৱাবা ওইদ্রে।

মতেং লৌজখিবশিং :-

১) হিষ্টোরিকেল দিভলপমেন্ট ওফ ইন্দিয়ন ম্যুজিক - বাই- প্রগ্যানানন্দা

২) অইবনা তমজরকখিবা, থিজিনজরকখিবা অমসুং নৈনজরকখিবশিং।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পাউখোং অমা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**হৈ মরু** অমনা থাবদা পাম্বী অমা মপূং মরৈ ফাদুনা মহৈ য়াল্লি। পাম্বী অসিদগী লোংথোরকপা মসা ময়ামদা পাল্লিবা উহৈশিং অদু চাদুনা য়েংবদা মহাও চপ মান্নে, খেন্নবা লৈতে। অমুকসু চহী মপূং ফারবা কান্দা পাল্লকপা উহৈ অদু অমুক চাদুনা য়েংবদা হান্নগী মহাও অদুগা খেন্নবা করিসু লৈতে। হৈ পাম্বী অসি কমলা পাম্বীনি হায়না লৌবিরো, কমলা অমগী মনুংদা য়াওরিবা মরুশিং অদুনা থাবদা অচৌবা ফজরবা হৈকোল অমা ওইরে, কমলা ময়াম অদুগী মহাও চপ মান্নে । মী ওইনা পোকপা মপোক অসিসু মরু অমখক্তগী মচা ঙাক্তনি। মসিনা মথং মথং চাউথোরকপনি অদুনা মচাশিং অসিনা মানা মানা পামজবা লাইনীং-লাইশোন চৎখিদুনা চৎন-কাঙলোন শেমখিদুনা কাঙলুপ-ফুরুপ খাইদোকখিবগী ৱানি। পূম্নমক অমত্তনি হায়জনীংই। মসিগী মনুংদা নুপা হায়বা অমা, নুপী হায়বা অমা অনীখক্তনি অতোপ্পা লৈতে। অনী অসি থাদোক্লবা য়াদ্রবা, খেন্নবা হায়ববু নুপা-নুপীগী হকচাংগী কয়াৎ খেন্নে। অতোপ্পা অমনা নুপীনা মচা পোকই, নুপানা পোক্তে। তৌইগুম্বসুং নুপা-নুপী পূন্দ্রবদি মচা অমা ফাওবা লৈরমলোই। অনীমক অমনা অমগী মতেং পাঙনরিবনি, খক থানবা য়ারোই। মী হায়রিবা অসি নুপা-নুপী পূল্লগা শেম্বনি। খুদম ওইনা ঐগী ইশাদা পাল্লিবা খূৎ অসি ঐখোয়না অনী থোক্লা মমিং থোল্লি মদুদি খূবাক অমসুং খূৎনম হায়না অদুবু পোৎশক্তি অমখক্তনি। মহৌশানা পীরল্লিবা তঙাইফদ্রবা মচাকশিংগী মনুংদা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অহুম অসি অমা হেক ৱাৎপদা জগৎ সংসার অসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা পূম্নমক হিংবা ঙল্লোই। মরম অসিনা পুন্সিগী খোংলোই ওইরিবা নুপা-নুপী খক থাদোক্লবা য়ারোই।

নুপীবু হন্থনা য়েংবা, মীওৎ-মীনৈ চত্থবা হায়বসি য়াম্না অরানবা ৱাখল্লোলনি। মীওইবা পূম্নমক নুংঙাইনা শক চু থোক্লা, মশা-মউ ফনা, পুন্সি নুংশাংনা হিংনবগীদমক্তা তঙায়ফদ্রবা পোৎচং অহুম মৈ, ঈশিং অমসুং নুংশিৎ লৈরমদ্রবদি হিংলল্লোই। অদুগুম্না তৎনা থানবা য়াদ্রবা নুপা নুপীনি। অদুবু লুরিবদি নুপা-নুপী রাইট মান্নরে হায়দুনা নুপীশিংনা নুপাগী মতৌ তল্লবদি খুন্নাই অসিদা তমথিবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা নিল্লরনি, তাহৈদবা-উহৈদবা থৌদোক্লা খুরক হাংলরোই। মৌনহা মচাশিংনা লৈশাবী ওল্লকপা অসিসু মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না ওইরক্লি। মসিগী শাজৎ লিচৎনরা মা-মাগী লোইনবী নুপীবু মৱা মপুরোইবনা হাৎপগী থবক ময়াম অমা চত্থরিবা, করিগুম্বা অরানবা লৈরবসু মসিমক তৌবদি ঙমই হায়দুনা তৌবা মাল্লি।

কনাগুম্বা অরানবা লম্বীদা চৎপা মীওইশিং য়েংশিন্নবা লূপ কয়া লিংদুনা অচুম অরান থিগৎলি। লোয়ননা আইনগী লোইশঙ লৈ। লাল্লি খঙদে, চুমই খঙদে, ঙমই হায়দুনা নুপীবু ওৎপা-নৈবা, মথৱায় মাঙহন্দুনা দন্দিনি হায়দুনা তৌরিবা থৌওং অসিদি মীনসু-লাইনসু য়ারোই। অতোপ্পা অমনা নুপানা নুপীবু করিসু লৈতবা ৱাফমদা মরাল পীশিন্দুনা ওৎ নৈবদি অরানবা ৱাখলনি। মশাগী নুংঙাইবা অপেনবা ফংলবা মতুংদা তমথিনা ওৎলগা হাৎতোকপীবা ৱাখল্লোন পুবগী লায়না অসি হঞ্জিন হঞ্জিন হৈনবী অমা ওইনা চৎলবা মীওইশিং অসি অহকপা চৈরাক পীদুনা খুন্নাইদা মাঙ তাকহল্লিবা কাঙবুশিং মুখৎনবা ওথোরিটিগী মিৎয়েং চিংশিনজরি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি ৱাখল তাদ্রিবা নহারোল অমসুং অহল্লোনশিংনা নম্না চত্থরিবা অসি অকনবা চৈরাক অমসুং শিবগী দন্দি পীরবদি ফগদ্রা হায়না খল্লি। লৈঙাক্কী  লুক ইষ্ট পোলিসিগী মনুংদা নৈনবিয়ু। লৌফম থোকপা থৌদাং লৌখৎপীদুনা তমথিরবা নুপীদা য়েংলিবা মিৎয়েং হেনজিনবশিং হায়বদি জঙ্গলদা লৈবা শাগী লোনচৎ চৎপশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু নৎত্রবদি সনাগী য়েরুম কোকপী য়েনবী হাৎপগী থৌদৌ ওইখিবা য়াই। চৎন-কাঙলোন শেম্বগী ৱাহন্থোক লৈররোইদ্রা হায়না পাউদমজরি।

নুপানা-নুপীদা তৌনীং-তৌনীংবা তৌরকপা, অচৌবা চৈথেংনা চৎন-কাঙলোন থুগাইরকপা, তৌগদবা-তৌরোইদবা লোনচৎ মাঙনবগী অচৌবা মতেং ওইদুনা মীনুংশিগী মমি শামখিবা য়াই। আইনগী মরমদা খঙ হৈরবা কয়াগী খূৎথাংদা পাউতাক কয়া, খন্ন নৈনবগী এৱ্যার্নেস কয়া পায়খৎপীদুনা ৱাখল শেরান্নবা কয়াবু, তূমখুল তাল্লুরবা মীওইশিংবু মীকপ থোকহন্নবা হোৎনবিয়ু। খুন্নাইবু শেংদোকপা পাম্বা খঙ হৈরবা ৱাঙাঙলোইশিং, মিনিষ্টরশিং, আইনগী খূৎলায় পায়রিবশিং লোয়ননা ক্লব সংস্থানশিংনা কোক চুংশিন্নবীদুনা নুপীবু হন্থবগী মিৎয়েংদগী কলহৌসি। পূক্নিংগী লৌশিং মঙাল ওইবা নৈনরোল তৌবিদুনা তংদু লৈতানা লৈজবা ফংজনবা হোৎনবীয়ু। নুপীশিংগীদমক ৱাকৎচরি, সেনিয়র সিটিজনশিংগী ওইবা পাউদমনি। নুপা-নুপী য়োংলৈ মেলৈ নাইদনা তাইবঙ শিন্থা মতোল লোম্না শৈথাজরি ৱাহৈ খরদং।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

## মহৈরোয়শিংনা লৈবাক্কী ঈরাংদা মাঙজিল থারকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**ঐখোয়গী** মণিপুর পীকচরবসু হীরম খুদিংদা ৱাৎতা পাদবা, মহৌশাগী খূৎশেম্না য়োমশিল্লগা লৈবা নিংথিরবা মফম অমনি। লৈবাক অসিদা লৈশক মান্নদবা লৈরাং কয়া হৌবগুম কাঙলুপ-ফুরুপ কয়ানা পূনশিল্লগা ফুগাইনা শাৎচবা লৈকোল অমসু ওইরি। নুংশিরবা শৈশক কয়াগী লৈনাদা কাউবা ঙমদদুনা মরা তাশিনখ্রে লৈবাকসিগী লৈহাওদা মীয়ানচা কয়া অমসু। ৱারনি খরদি মউ ফুক্লবা হোৎনবদা মখোয়সে। মউ ফুক্লবগী থৌদাংদা পাঙ্গল উপাই ওইনবা হায়দুনা নৌজরিবা তুংগী যূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয় কয়াবু অচৌ অচৌবা থবক থৌরম কয়াদা মায়োক য়াহল্লকই। নৌজরিবা মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি পীখম্নখ্রে লৈবাক্কী ঈহৌ কয়াদা। অদুগা মীয়ানচা তান্নবগী লান্দসু নৌজরিবা মহৈরোয় কয়া অমা অশোক অপন্না মরম ওইরগা শোয়নাইখিবা কয়ানি অদুগা অমনা অশিবগী খয়াৎতা তাহনখি। থম্মোয় য়াম্না শোকনীংঙাইনি অমুক নৌহৌনা নীংশিংলুবদা।

মতাংসিদা নৈননীংবদি মহৈরোয় অমা হায়বসি করিনো? মহৈরোয় ওইরিঙৈদা মখোয়গী থৌদাং করিনো? ইংগ্রাজিদা মহৈরোয় অমা হায়বসি অসুম্না মিৎয়েং অনী থোক্লা য়েংবা য়াই। অহানবদা "A person formally engaged in learning, especially one enrolled in a school or collage, pupil: a student at yale" অদুগা অনীশুবদনা "Any person who studies, investigates or examines thoughtfully; a student of human nature." অদুগা মহৈরোয় ওইরিঙৈদা মখোয়না লৌগদবা থৌদাংদি অসুম্না ফোঙদোকপদা লানগনি নীংদে। -Assigning roles to student is one way to encourage positive interdependence, interaction and group processing, which are among the five key elements of working in groups. Usually roles are responsibilities on top of the project itself." অদুনা হৌগৎলক্লিবা তুংগী যূম্বী ওইহৌগদৌরিবা ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিংদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ইংগ্রাজি ৱাহৈশিংসিগী মতিক মগুন চেনবগী চাং য়াম্না নেমলি হায়জবা তাই। লৈবাক্কী ইস্যু অমা লাকপা মতমদা মখোয়না হেন্না য়াওশিন্নীংবগী অপাম্বনা হেনখিদুনা মখোয়গী মোরেল কেরেক্টরদা নোংমা নোংমগী অশোয়বা কয়া অমা মায়োক্লরকই। পূম্নমকসিগী অশোয়বনা লমজিংলিবা মখোয়গী মপি-মপা ওইরিবা মথক থোংবা ঐখোয় পূম্বনি হায়বদা লানগনি নীংদে।

পীক্লিবা নৌরিবা মখোয়গী ব্রেনবু ঐখোয়না শেমনীংবা মওংদা শেম্বা য়ারিঙৈ মতমদা মখোয়বু ঐখোয়না অফবা অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবিহৌবনা ঐখোয় পূম্নমক্কী ইথৌনি খনজৈ। অদুদি নত্তদনা নৌরিবা মখোয়গী ব্রেনদা অমোৎপা ফত্তবা ৱাখলগী মচু শংখ্রবদি তুংগী যূম্বীদু শুম চারকপা মশানা তাবনি। মসিদা কন্নাগী মাঙজবনো হায়বসি ঐখোয় মীকুপ অমফাও খন্থদবগুম তৌই। ঙসি ঙসিমকসু খম থেংনা চাওখৎলবা মতমনি। অদুগা কম্পিটিটিভকী চকনি হায়নসু পন্নীংই। ফাওর-ফাওরবা লৈবাক কয়া কয়াগী মপা-মমা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু অফবা লম্বীদা হিদান্নবা য়াওহৌনবনি হায়দুনা মচাশিংবু মীকুপ পুংজা খুদিংদা কুপশেন শেন্নবিরি। মওংসিমক ইরমদমসিগী মপা-মমা ওইবা খরদি তৌদবা নত্তে অদুবু চাং য়াম্না নেমলি হায়জবনি। অদুগা মপা-মমা ওইবা কয়া অমনা লৈবাকসিগী ঈহৌদা ইচাদো য়াওখিবনি, মেদিয়াগী থোংদা ৱা য়াম্না ঙাঙখিবনি হায়দুনা টি ভিদা য়াওরকপ্রা হায়না কুপশেন শেন্নরি। মচাশিংগী অদুগুল্লবা মৱা-মপাউ তারগা মীথোইরে খঞ্জরি। মসিদা করম্না মচাশিংনা মীথোই-মীহেন্নবগী ৱাখল লাক্কনি। মথক থোংবশিংদু অয়াবা পীবগা চপ মান্নে হায়না খনজৈ। করম্না চাওখৎপগী লম্বীদা হিদান্নহনবা ঙমগনি। তুংগী যূম্বী ওইরক্কদবা মখোয়না লৈপাক্কী ঈরাংদা য়াওশিন্দুনা লৈরবদি করম্না অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙল্লক্কনি? অফবা মহৈরোয় লৈরত্তবা লৈবাক্তুদা করম্না চাওখৎলকপা ঙমগনি। চাওখৎত্রিবা লৈবাক্তা ৱাথোক মশীং য়াম্বা মহৌশানি।

ঙসি খরনিগী মমাঙদা থোকখিবা ৱাথোক্তা অমুক খন্নদুনা য়েংসি। ইরমদমসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা মহৈ তম্ফমশঙ ওইরিবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক। ময়াং সিফাই থমজিল্লি হায়দুনা মেদিয়াগী থোঙদা কোয়লাউ লাউরি। ক্লাস চাং নাইরমগনি হায়বসু থাজদে। মসিনা করি ৱাহন্থোকনো। নোংমা ক্লাস য়াওহৌদবদা অমদি নোংমতং লাইরিক পাবগী মতম কায়খিবদা মখোয়দা কয়াগী মতিক মাঙবগে হায়বসি মখোয়না হেন্না খঙফম থোকপনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈরোয় মখোয়নফাও লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মাঙজিল থারল্লবদি মখা তাবা মহৈরোয়শিংদা করি অমুক ফাওগনি। অদুগা পঞ্জনীংবা অমনা লৈরিবা ক্লব-সংস্থানশিংনসু তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু মখোয়গী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নগনি হায়বগী ৱাখল থাদোকপীবনা ঐখোয় খ্বাইগী য়াইফবা ওইরক্কনি থাজৈ। নাকল অমরোমদা মহৈ তম্ফমশঙ খুদিংমক্তা ফ্রী জোন ওইহনগদবনি হায়বা খোল্লাউসিদি লাইনফাও য়েৎলোইদৌবা ৱাফমনি। অদুদা ঈহৌসিদা মখোয়না মরুওইবা থৌদাং লৌবগী মহুৎতা লৈবাকসিদা লৈরিবা ক্লব, সংস্থানশিং অমদি মমা-মপা ওইবা কয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌবিরবদি হেন্না ফগনি হায়না থাজৈ।

মসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈন্দসু কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈবা ঙমগনি। অদুগা লৈঙাক্লিবা লৈঙাকলোইশিংনসু লৈবাক ঈরাং হৌদ্রিফাও মীয়ামগী খোল্লাউ তারোই খনবগী মহুত্তা খ্বাইদগী অচুম্বা খোঙথাংনি খনজৈ। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিদা মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদা তৌনদবা থবক থৌরম কয়া অমা লিশাং শিৎনা ঙসি ফাও তৌরক্লি। মসিনা করম্না চাওখৎপা ঙমগনি। হিংমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না ৱাখল তামিন্নরবা কান্দা তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎপা ঙল্লক্কনি থাজৈ। অদুনা লৈঙাকলোইশিংনসু মীচম মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবিয়ু। অদুগা ঐখোয়সু মুন্না খন্থরগা ঈহৌ চত্থসি। লোয়ননা তুংগী যূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংসু লৈবাক্কী ঈহৌ খুদিংদা মাঙজিল থাবগী ৱাখল থাদোকপীবনা অমুক্কা হেন্না ফৈ। অদুগা মমা-মপা ওইবা কয়ানা মচাশিংবু করিদা শোয়খিগদগে খন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবিবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়বসিনা অরোইবা ওইজগে।

*অদোমগী - কে ঐচ শাহিদুর, খেকমন অমাকচম, থৌবাল*